থম্মোয় পাউদম | হুইয়েন ইন্দু

# গ্লোবেলাইজেসনগী কান্নবা অমা



১৯৯১- ইন্দিয়ন পোলিটিকেল হিষ্টরিগী খ্বাইদই মরুওইবা তাঙ্কক অমনি। মতমদুগী প্রাইম মিনিষ্টর, পি ভি নরসিমহ রাও'না ফেল ওইরম্লগদবা ইন্দিয়ন ইকোনোমি কন্নবা, মমিং চৎলবা ইকোনোমিষ্ট, ডা. মনমোহন সিংহবু পোলিটিক্স'তা পুশিল্লকখি, ফাইনান্স মিনিষ্টর ওইহনখি। অনৌবা ভারত অমগী য়ুম্ফম থোন্নবা ন্যু ইকনমিক পোলিসী হৌদোক্লমখি। লিবরেলাইজেসন, প্রাইভেটাইজেসন, গ্লোবেলাইজেসন-ইনি দয়াগী অনৌবা মীরোলসিগী চাওখৎপগী মন্ত্র ওইরকখি। অনৌবা ৱাফম নৎত্রবা মল্লবা ইস্যুনি, অমুক নৌনা নৈনজররোই।

ঙসি ঐনা ৱাফম অসি নীংশিংলুবই মরম অমখক্লি। ঐখোয়না হৌজিক লৈরিবসি মণিপুর কৌবা চীংনুংগী জঙ্গল অমদা ওইরবসু 'গ্লোবেলাইজ ৱর্ল্ড' অমদনি। ওন্থোকপা হায়'দুনি ইংলিস লোন! অর্থ, ৱর্ল্ড, গ্লোব অহুম্মক শীজিন্নফম মান্নদবা মশক অমমম ঙাক্তা। ৱর্ল্ড হায়বগা ৱর্ল্ড-ৱাইদ হায়বগা মান্নদবদুনি ৱর্ল্ড'গা গ্লোবেল'গা খেন্নবা। অদুনা গ্লোবেলাইজেসন হায়বসি শন্দোক্লা তাকপা লায়রগসু ৱাহে অমখক্লা মহুৎ শিনবদি ঐগী ওইনা অরুবা থৌদাং অমনি। লৈবাকশিং অসিনা মরন্নাইগী ওইবা ৱাখল থাদোক্লরগা মালেম পুন্নমক্কী ওইবা য়াইফনবা খনবা, তৌবা অদুবুনি গ্লোবেলাইজেসন। গ্লোবেলাইজেসন হায়বসি ঙসিগী তাইবং অসিদা অসুক্কী মতিক দরকার ওইবা, তঙাইফদবা অমা ওইরক্লিবগী মরমদি- ঈশিং-নুংশিৎ, অঈং-অশা অমদি লৈহাও মান্নদবা মালেমগী মফম তোঙান তোঙানবদা লৈরবসু ঐখোয় পুন্নমক্লা লৈরিবসি মালেম/পৃথিবী/অর্থ অসিগী লৈমায়দনি। মসিদি অমখক্তনি তোঙানবা অমমম নত্তে।

ঙসিগী পাউদমসিগী ওইনা খল্লুরগা, গ্লোবেলাইজেসনগী ৱাহন্থোক অসি অসুম্না হনবনা চুমগদবা মাল্লে... 'তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংদা লৈরিবা, মান্নদবা তোঙান তোঙানবা জাতিগী মীওইশিং, কম্পেনিশিং অমদি গভর্ণমেন্টশিং অসি অমগা অমগা ৱা তানদুনা, অমত্তা ওইবা ইন্টরেষ্ট'তা থবক তৌমিন্নবা, পুনশিন্নবগী থবক অদুবু গ্লোবেলাইজেসন কৌই'। কুনশুবা চহীচাগী থোইদোকপা মশক অমনি লৈবাকশিংসি অথোই অহেন তান্নরকপা, অকন-অশিং শিংনরকপা, অমনা অমগী মথক থোংনবা হোৎনরকপা। লৈবাক অমগা অমগা লান শিংনদুনা শোক্লখিবা মশিং থীঙমদ্রবা লানশিংগী মথক্তা মালেমগী ওইবা লাঞ্জাও অনী অহানবা লাঞ্জাও- ১৯১৪ জুলাই ২৮ দগী ১৯১৮ নবেম্বর ১১ ফাওবা, চহী মরি থা অহুম চয়োল অনী শোক্লখিবা, অনীশুবা লাঞ্জাও- ১৯৩৯ সেপ্টেম্বর ১ দগী ১৯৪৫, সেপ্টেম্বর ২ফাওবা, চহী তরুক্কা নোংমা শোক্লখিবা। মচি মচিদা শোক্লবা লানশিংগী শকউদবা লানচিং পুরেন অনী, নাকল অমদা য়ু এস এ, অতোপ্পদনা য়ু এস এস আর'গী উংখৎনবা মতৌদুবু 'কোল্ড ৱার' (ঈংনা শোক্লবা লান) হায়নসু খঙনখি। সোভিয়েট সোসলিষ্ট রিপব্লিক ১৩ গী অপুনবদু ১৫ থোক্লা কায়খ্র'তুং 'কোল্ড ৱার' মতমগী অরোইবসু ওইখি। সুপর পৱার অনী শক্তিগী লমজেল তান্নরম্বদু অমনা তুখ্রবা মতুংদদি 'অমেরিকা' মথন্তনা কনবদা মপা লৈত্রবা অমগুম হাইনা হুম্না পাল্লকখি।

কুনমাথোইশুবা চহীচা থুংলরবা মতুংদদি, মীশিংগী পূক্নিং-ৱাখল ফনা নীংথিনা হোংলক্লে। লানগী খুৎলায় পৈশিল্লগা অকনবা শকপই মতম অদু লোইখরে। লল্লোন-ইতিক্কী লমদা মাঙজিল থাদুনা ইনাক খুনবা ওইরকপা, লৈবাক্তুনি সুপর পৱার। গ্লোবেলাইজেসন-ঙসিদি ইকোনোমিক টর্মিনোলোজি অমা ওইদরে। মী খুদিংমক্কী চীন্দা পক্লবা,ৱাখলদা-থবক্তা তৌদ-য়াদা' তৌরবা থবক অমা ওইরক্লে। থিঙ্ক গ্লোবেল্লি, এক্ট লোকেল্লি (থবক্লা নরম'দা তৌরসু, মালেমগী খল্লু ৱাখলদি)-অনৌবা ৱার্কিং-প্রিন্সিপলনি। 'সোসল মীদিয়া'- জিওগ্রাফিকল বাউন্দরি ৱাংমা লান্না, মালেমগী মীয়াম পুন্নমক্লা পাউ ফাওদোক্নবগী, আইদিয়া সেয়র তৌনবগী অনৌবা, অথৌবা খুৎলায় অমনি। ইনফোর্মেসন টেক্নোলোজিগী পেখোকনি। জাতিগী খেন্নবা কাউথোক্লরগা লৈবাক অমগা অমগগী মরক্তা ইমোসনেল ইন্টিগ্রেসন পুরকই। তোখায় তাবই ৱাখল কাউথোক্লদুনা অপুনবা শক্তম শাগৎপই ৱাখল লাকই। খুদম ওইনা ১৯৯৯ দা শেমখিবা 'য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ন'। য়ুরোপকী লৈবাক ২৮ না পুল্লগা শেম্বা য়ুনিয়ন অসি ২০০২ দা মপুম ফাবা ফুল-ফোর্স অমা ওইরকখি। তোঙান তোঙানবা কলচর অমদি পোলিটিকেল সেট-অপ অমদা শেমগৎলকখিবা 'নেসন' কুন্নিপান- পোলিটিকল এনতাইতি অমত্তা ওইরত্তুনা 'কম্মন-লো' অমা শেমগৎলকপা, 'কম্মন-মার্কেট' অমা ওইরকপা, 'য়ুরো' কৌবা অনৌবা 'কম্মন-করেন্সি' অমা শীজিন্নরকপা- গ্লোবেলাইজেসনগী খ্বাইদগী চাউবা খুদোলনি। 'য়ুনিটি-ইন-দাইভর্সিটি' হায়বা ইন্দিয়া কৌবা নেসন অসি শেমগৎলকপা মতমদা শীজিন্নরম্বা, ফেল ওইখ্রবা পোলিটিকেল ফিলোজোফি অদুদা য়ুম্ফম ওইদুনা শেমগৎলকখিবা 'পোলিটিকেল-মোদেল' অমনি। খেন্নবা অমত্তং হায়রবদা, ইন্দিয়া'দনা মান্নদবা মী ময়াম্না 'নেসন' অমা শেমগৎনবা হোৎনরুবা। য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়নগীনা, মান্নদবা নেসন ময়াম্না মান্নবা অমা পুরক্লবা হোৎনবা।

গ্লোবেলাইজেসনগী ঈহৌ লাক্ত্রিঙৈ, এসিয়াদসু 'সাউথ এসিয়ন এসোসিএসন ফোর রিজনল কো-ওপরেসন' (সার্ক) হায়না মিংথোনবা লৈবাক নিপানগী অপূনবা বোদি অমা শেমখি। অফঘানিষ্টান, বাংলাদেশ, ভুতান, ইন্দিয়া, মাল্ডিবস, নেপাল, পাকিষ্টান, শ্রীলঙ্কাগী অপূনবা লূপ অসি ১৯৮৫, দিসেম্বর ৮ দা লিংখৎখি। উন্নবা য়াদ-থাঙ শৎনরিবা, লেঙদ্রবা য়েক্লবনি খন্নরিবা লৈবাক অনী য়াওবা বোদি অমনা অমত্তা ওইবা হৌনব্রা? গ্লোবেলাইজেসনগী য়াওল লাক্লবা মতুংদা শেল্লকপা ব্রিক্স (বি আর আই সী এস)- ব্রাজিল, রসিয়া, ইন্দিয়া, চিনা অমদি সাউথ অফ্রিকা- লৈবাক মঙাগী অপূনবা লূপ অসিদি মাঙলোমদা চঙশিল্লক্লি। মচেৎ তাবই ৱাখল কাউথোকহনবা গ্লোবেলাইজেসনগী য়ুগ অসিদা, মসিনা শোকপা ঙমদ্রিবসি ইন্দিয়া কৌবা লমসিখক্তনি।

লৌশিং পুক্কে

# মাইগ্রেননা নারবা মীওইশিংনা য়ারিবমখৈ প্রোসেস তৌরবা চীঞ্জাক চারোইদবনি



মাইগ্রেননা নারবা মীওইশিং অখন্নবা চীঞ্জাক খরা চারুবদগী কা হেন্না কোক চীকপা শোয়দনা থেংনরম্লগনি। চীন মনুংদা লৈবা বেক্টরিয়ানা ফীভম অসি ওইহল্লকপনি হায়বা ষ্টদি অমদগী খঙবা ঙম্লে।

রিছার্চরশিংনা হায়খি, মাইগ্রেননা নারবা মীওইশিংগী চীন মনুংদা লৈবা বেক্টরিয়াশিংনা অখন্নবা চীঞ্জাক খরদা য়াওবা নাইট্রেট ব্রেকদাউন তৌরগা নাইট্রিক ওক্সাইদ ওন্থোক্লুনা ঈগী ঈচেলদা তিলহনখি। মসিনা মরম ওইরগা ঈ উতোং লাউথোকহ-নবদগী ঈগী ঈচেল ফগৎহল্লি। থৌওং অসিনা হার্টকী ফীভম ফগৎহনবদা মতেং পাংলবসু ব্রেন অমদি শমখোঙগী ঈ উতোং লাউথোকহনবা মরম্না কোক চীকহল্লকপা য়াই।

অশংবা মনা-মশিং অয়াম্বদা নাইট্রেট মরাং কায়না য়াওই। প্রোসেস তৌরবা মিটতসু নাইট্রেটপু প্রিজর্ভেটিভ ওইনা শীজিন্নৈ। প্রোসেস তৌরবা মিটতা নাইট্রেদ হাপ্পবদি মচু ফজহনবগা লোয়ননা মহাউ হেনগৎহল্লি।

মাইগ্রেননা নারবা মীওইশিংনা য়ারিবমখৈ প্রোসেস তৌরবা চীঞ্জাক চারোইদবনি হায়না ডোক্তরশিংনা মতম কয়াগী মমাঙদগী ফোঙদোক্লুনা লাক্লি।

টোরোন্টোদা লৈবা হেদেক এন্দ পেন রিলিফ সেন্টরগী মকোক ডা. মাইকেল জিটনিনা হায়খি, মাইগ্রেননা নারবা মীওইশিংনা প্রোসেস তৌবা চীঞ্জাক চারুবদি কোক চীকপা হৌরকই হায়বসি হান্নদগী খঙনরবা ৱাফমনি। অদুবু করি মরমদগী কমদৌনা ওইহল্লকপনো হায়বদুদি চপ চানা খঙবা ঙমখিদে।

নাইট্রেটনা নাইট্রিক ওক্সাইদ ওন্থোক্লবা মতুংদা হার্টকী মথৌ নীংথিনা তৌহনবদা মতেং পাংই। মরম অদুনা থবাক নাবা নৎত্রগা কঞ্জেন্টিভ হার্ট ফেলিয়র পেসেন্টশিংদা নাইট্রেট য়াওবা হীদাক পীজনৈ। অদুবু নাইট্রেট য়াওবা হীদাক চারুবা মীওই মঙাগী মনুংদা মরিদি হীদাক্কী সাইদ ইফেক্ট ওইনা কোক চীকপগী অৱাবা মায়োক্লে।

য়ুনিভর্সিটি ওপ কেলিফোর্নিয়া সেন দিগোগী এন্টেশনিও গোঞ্জালেজনা লুচিংদুনা চথখিবা ষ্টদি অমগী রিপোর্টনা হায়খি, মাইগ্রেননা নারবা মীওইশিংনা অখন্নবা চীঞ্জাক চারুবদগী কোক চীকপা হৌরক্লিবসি চীন মনুংদা য়াওবা বেক্টরিয়ানা থোকহনবনি।

রিছার্চরশিংনা অমেরিকান গট প্রোজেক্টকী দেটা কুপ্না নৈনদুনা য়েংবদা মাইগ্রেননা নারবা মীওইশিংগী চীন মনুংদা বেক্টরিয়া মশীং য়াম্না য়াওরম্বা থেংনখি।

ক্রোনিক মাইগ্রেন হায়বসি য়াম্না তোয়না অমসুং কা হেনবা মওংদা কোক চীকপগা লোয়ননা ওনিংবা, ওবা, অহৌবা মখোল তাবা য়াদবা অমসুং অরংবা মঙাল উবা য়াদবগী থৌওংবুনি।

মাইগ্রেনগী অনাবা হৌরকপা মতমদা পুং খরদগী হৌরগা নুমীৎ কয়ানি কোক চীকপগী অৱাবা মায়োক্লে। অমেরিকান সোসাইটি ফোর মাইক্রোবাইওলোজিগী ওনলাইন জর্নেল 'এমসিষ্টেমস'তা ফোঙলকখিবা রিপোর্ট অমনা হায়খি, মাইগ্রেননা মরম ওইরগা চীন মনুংদা বেক্টরিয়া য়াম্না লৈহল্লকপরা নৎত্রগা চীন মনুংদা বেক্টরিয়া য়াম্না লৈবদগী মাইগ্রেন ওইহল্লকপরা হায়বদু চপ চানা খঙদোক্লবা হোৎনরি। অদুম ওইনমক চীন মনুংদা লৈরিবা বেক্টরিয়াগী মশীং হন্থহল্লগা মাইগ্রেন ফহনবা ঙম্বগী ফীভমদা লৈরে হায়রি।

মাইগ্রেননা মরম ওইরগা কোক চীকহল্লকপগী মরুওইবা মরমশিংদি এলর্জি অমসুং এলর্জিক রিয়েক্সন, অরংবা মঙাল, অহৌবা মখোল, অকনবা মনম, ফিজিকেল নৎত্রগা ইমোসনেল ষ্ট্রেস, টেন্সন, এঞ্জাইটি, দিপ্রেসন, কা হেন্না হরাওবা নৎত্রগা ৱাবা, তূম্বা মতম নাইদবা, মৈখু মরক্তা লৈবা, চরা হেনবা, দিহাইদ্রেসন, য়ু থকপা, থাগী খোঙকাপ চাং নাইদবা, মীরোন্দনবা হীদাক চাবা, থাগী খোঙকাপ খমখিবা, টেন্সন হেদেক, দাইরাসাইন য়াওবা চীঞ্জাক (রেদ ৱাইন, অরিবা শঙ্গোম মপান, ঙা অয়াইবা, হৱাই মখল খরা), মোনোসোদিয়ম গ্লুটামেট (এম এস জি) নৎত্রগা নাইট্রেট, লোয়ননা স্লিপিং টেব্লেট কন্ট্রাসেপ্টিভ পিল অমসুং হোর্মোন রিপ্লেসমেন্ট থেরাপিনচিংবনি।

মাইগ্রেন ঙাকথোক্লবগী মরুওইবা পাম্বৈদি খুদোংচাদবা ফীভম অসি ওইহল্লকপা পোৎলমশিংদগী লাপথোক্লা লৈবনি। চাবা-থকপগী মওং হোংদোকপগা লোয়ননা হকচাং শাজেল তৌবনা মাইগ্রেন এটেক্তগী খরমখৈ ঙাকথোকপা ঙম্মী। অতৈ অতোপ্পা চেকশিন থৌরাংশিংদি এন্টিকনভলসেন্ট, এন্টিপিপ্রেসেন্ট, গাবাপেন্টিন, বোট্যুলিনিয়ম টোক্সিন এ (বোটোক্স), মেগনেসিয়ম সাইট্রেট, রাইবোফ্লেবিন, ভিটামিন বি-১২ অমসুং মেলাটোন্নচিংবা মনা-মশিং অমদি ভিটামিন শীজিন্নবা, মীৎ লায়েংথোকপা (ভিজন করেক্সন), হকচাং শাজেল তৌবা, মপুং ফানা তূম্বা অমসুং মেদিটেসন তৌবা অসিনচিংবনি।

কনাগুম্বা মীওই খরদি হীদাক লাংথক কা হেন্না চাবদগী মাইগ্রেন এটেক তৌরকপা য়াওই। থৌওং অসিবু মেদিকেসন ওভরয়ুজ হেদেক (এম ও ঐচ) নৎত্রগা রিবাওন্দ হেদেক হায়না খঙনৈ। মাইগ্রেনগী মতাংদা অনৌবা হীদাক মখল অনী পুথোরকপগা লোয়ননা চাংয়েং তৌবগী থাক্তা লৈরি। অনৌবা ইন্ট্রানেজেল ট্রিটমেন্ট মখল অমনসু মাইগ্রেন পেসেন্টশিংদা কোক চীকপগী চাং চাদা ৮৮ লোম হন্থহনবা ঙম্লে।

য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা হন্দক্তা চথখিবা ষ্টদি অমগী রিপোর্টনা হায়খি মদুদি, মেদিটেসন তৌবনা ষ্ট্রেস হন্থহনবগা লোয়ননা কোক চীকপগী চাং হন্থহল্লি। 'ন্যুরো-লোজি' জর্নেলদা হন্দক্তা ফোঙলকখিবা ষ্টদিগী রিপোর্টনা হায়খি, মেদিটেসন তৌবা মতমদা পূক্নিং ৱাখল নীংথিনা পোথাহনবা মরম্না কোক চীকপা ফহনবনি। পুন্নমক অসি ওইদুনসু চীন মনুংদা লৈবা বেক্টরিয়ানা মরম ওইরগা কোক চীকহল্লকপনি হায়বা াখঙলবনিনা মাইগ্রেন পেসেন্টশিংনা অখন্নবা চীঞ্জাক, মরুওইনা নাইট্রেট য়াওবা চীঞ্জাক চারোইদবনি।

## চেকথোং থুগায়রম্লগা অতোপ্পা ১ শাবীদববু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা মীফম ফমখ্রে

থৌবাল, ফেব্রুৱারী ১৪(ঐচএনএস): থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী ৱাংখেম এসেমব্লী কনষ্টিট্যুএন্সিগী মনুং চন্না লৈবা য়াইরিপোক অমদি চরাংপাৎ ফাওনবা লম্বীগী মরুওইবা থোং অমা ওইরিবা চরাংপাৎ মমাঙ লৈকায়দা লৈবা চেকথোং অসি কুমজা ২০১৮ কী নবেম্বরদা খঙহৌদনা থুগায়রম্লে। অদুগা ঙসি ফাওবা শাবীদ্রে হায়না চরাংপাৎ মমাঙ লৈকায় নান্দেবম কম্যুনিটি হোলদা মীয়ামগী ওইবা মীফম অমা পাঙথোকখ্রে।

মীফম অদুদা থোং থুগায়রম্বশিং অদুবু থিদোক্তুনা লোগী মতেং লৌদুনা চৈরাক পীনবা ৱারেপসু লৌখি। মীফম অদুদা ৱা ঙাঙখিবশিংনা চহী ৬০/৭০ হেল্লবা মতম অমগী অহলশিংনা ৱানা শাজরম্বা চেকথোং অসি শিদোকপীরগা ঙসি ফাওবা অনৌবা থোং অমা শানবা থবক পায়খৎতবনা চরাংপাৎতগী য়াইরিপোক ফাওবগী মরুওইবা লম্বী অসি লান্থোক লানশিন য়াদবনা মীয়ামদা অৱাবা মায়োক্লরে। থোং অসি শাবগী ৱার্ক ওর্দর লৈত্রা নৎত্রগা লৈত্রিবরা হায়বগী চমম্নবা লৈবা, লোকল এম এল এনা ঙসি ফাওবা পূক্নিং চঙবীদবগী মতাংদা পেন্দবা ৱাফম কয়া ফোঙদোক্লখি।

চেকথোং থুগায়রম্বশিং লোগী মতেং লৌদুনা ফাহনবা, থোং অসি শারবসু কম্মিটিগা তান্নদুনা শাবা অমদি নৌনা শাগদৌরিবা থোং অসিগী মমিং চরাংপাৎকী লৈখিদ্রবা অহল অনী, এস বাপু অমসুং ঐচ মনিগী মিংদা থোনবা হায়নসু ৱারেপ লৌখ্রে হায়রি। মীফম অদুদা চরাংপাৎ মমাঙ চেকথোং শাবা কম্মিটি হায়বা অমা শেমদুনা সোসল ৱার্কর কে জাদুমনি, চরাংপাৎ জিলা পরিষদকী মেম্বর পি ঐচ হেরামনি অমসুং চরাংপাৎকী অকোয়বগী মীয়াম্না শরুক য়াখি হায়রি।

## য়ানিংদবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১৪(ঐচএনএস): সিটিজন্সিপ এমেন্দমেন্ট বিল ২০১৬ রাজ্য সভাদা পাস তৌবা য়ারোই হায়দুনা থা অসিগী ১২ দা ঘড়ী য়ুথ ক্লব, মৈরা পায়বী নুপীশিং অমদি হোষ্টেলশিংগী মহৈরোয় কয়ানা টিদ্দিম রোদতা চঙশিনখিবা খোঙজংদা সিক্যুরিটি পর্সনেলশিংনা অতম্নদা ইমা-ইবেলশিংদা টিয়ার গ্যাস, মোক বোম কাপশিনবদা লোইতোংবম সুশিলা অমসুং ইবেম্মা (কহানি) গী মকোক অমদি মখোঙদা শোকহনবদা নত্তনা ক্লব অসিগী মনাক্তা লৈবা ওইল পম্পতা টিয়ার গ্যাসনচিংবা কাপশিনখিববু ঘড়ী য়ুথ ক্লব অমদি মৈরা পায়বীশিংনা য়ানিংদবা ফোঙদোরক্লি।

## 'য়াইফ পাউজেল পীরক্লি'

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১৪(ঐচএনএস): কাউন্সীল ওফ হায়র সেকেন্দরি এদ্যুকেসন মণিপুর (কোসেম) না লৌদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা হায়র সেকেন্দরি এগজামিনেসন অমসুং বোর্দ ওফ সেকেন্দরি এদ্যুকেসন মণিপুরনা লৌবা ঐচ এস এল সী ঈ ২০১৯ দা শরুক য়াগদৌরিবা মহৈরোয় খুদিংমক্তা কংলৈপাক ষ্টুদেন্টস এসোসিএসন (কে এস এ) না য়াইফ পাউজেল পীরক্লি। কোসেমনা লৌবা এগজামিনেসন্দসু মপুং ফানা কোওপরেসন পীগনি হায়না লাউথোকখিবা ফিরেপ অহোংবা লৈতে। লোয়ননা এগজামিনেসন অসি মপুং ফানা পাঙথোক্লবগীদমক অঙম্বা থাক্তা মতেং পাংগনি হায়রি।

## বোম অমা পোকখায়হনখ্রে

জিরিবাম, ফেব্রুৱারী ১৪(ঐচ এন এস): তমেংলোং দিষ্ট্রিক্টকী তৌসেম সব দিভিজনগী মনুং চন্না লৈবা ন্যু কৈফুন্দাইদা হৌখিবা জন্যুৱারী ৩০দা খুঞ্জাশিংনা জঙ্গলগী লৌগী পাম য়ানবা চৎপা মতমদা পোকখায়দ্রিবা বোম অমা ফংখিবা অদু ঙসি অশোয় অঙাম য়াওদনা পোকখায়হনখ্রে।

পুলিস অমদি এ আরদা তাক্তুনা খঙহল্লবা মতুংদা ঙসি নুংথিল পুং ৪ রোম তাবা মতমদা অশোয় অঙাম য়াওদনা বোম অদু পোকখায়হনখ্রে হায়রি। বোম লৈরে হায়বা খঙলবা মতুংদা এ আরনা বোম ফংলিবা মফম অদুদা মী চঙদনবা শম্বল খাদুনা থল্লবা মতুংদা তৌসেম পুলিসকী ও সী, ও দোরেন্দ্রোনা ইম্ফালদগী বোম স্কাউদ কৌদুনা অশোয় অঙাম য়াওদনা পোকখায়হনখিবনি হায়রি।

খুঞ্জাশিংনা ফোঙদোরকপদা, কুমজা ২০০৫ তা ইন্দিয়াগী পেরামিলিটরি ফোর্সশিংনা য়ু জি তকথোকপগী মিংদা কাপখিবা বোমশিং লৈরম্বা য়াবা মফমশিংদা থিবীনবা অমদি চীংদা থবক শুবা চৎপা মতমদা অকিবা থোক্তনবা হোৎনবীয়ু হায়নসু ফোঙদোকখি। নীংশিংবা য়াবদি, মতম খরগী মমাঙদা নোনে দিষ্ট্রিক্টকী খৌপুম ভিলেজদা অসিগুম্বা বোম অসি পোকখায়দুনা নুপীমচা মচিল-মনাও অনী লৈখিদবগী থৌদোক লৈখ্রবনি।




HL-B/4943/15-21 (alt.)




HL-B/5147/25/1-25/2

## ঙসিগী রাশি ফল

অইবা: ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ১৫।০২।২০১৯ ইং, ইরাই, নুংথিল পুং ১.১৯ ফাওবা ফাইরেলগী ১০ নি পাল্লি মতুং ১১ নি পানগনি।

মেষ: মরুপ মপাংনা নরলদা মীতাবা অমদি মরি ইফৎ ফত্তবা লৈগনি। মরুপ খনবা হৈয়ু। অদুম ওইনমক মীয়ামগী ফনবা পাইখৎপা থবক্তদি কান্নবা ফংগনি। মীৱা লৌবনা মাংজগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - নিংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

বৃষ: হরাউবা নুংঙাইবা ওইজ ওইথক ফংবা অমদি নক্লবা মীশিংনা লুনা লৌবিবা নুমিৎনি। মরুপকী মতেংনা অরুবা থবক পাংগনি অমদি মীথোই মীহেনবা ওইয়ু হাইবা লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী - নুংশিবা মরি ফগৎলি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

মিথুন: নরল মাংবা য়াবা, ৱাখল থোকপা ৱাৎপা অমদি লান্না খনবা য়ামবা লৈ। অদুবু অফবা মীংচৎ ফংগনি, থৌনা ফুদোকপনা শেল থুমগী লমদা কান্নগনি।
লৈশা পাখংশিংগী -লাইবক ফবা ৱাৎকনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা/চেং।

কর্কট: হকচাং অমদি ৱাখল অনিমক নুংঙাইবা লৈগনি। লল্লোন-ঈতিক্কী থবক্তা চাওনা মাই পাক্কনি, অফা-অপুন কোকচগনি, অচুম্বনা মাই পাক্কনি।
লৈশা পাখংশিংগী -নিংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস।

সিংহ: অনৌবা থৌওংনা থবক পাংগনি, মীয়াম্না য়াগনি অদুনা মখোইগা লোইননা চৎপা ফৈ। হকচাংদি নুংঙাইবা ৱাৎলি। পাঙ্গল ফুদোকপা থবক পাংগনু।
লৈশা পাখংশিংগী -নুংশিবা ফংবগী পেঞ্জে।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

কন্য: ফংবা য়াবা পন্দুনা লৈবগী নুংঙাইতবা খরা লৈগনি। অদুবু হনবা লৈতনা শুনোম্বগী কান্নবদি চাওনা ফংগনি। নক্লবনা ৱারৌবদি লৈগনি, ফিংগনু।
লৈশা পাখংশিংগী : লাইবক ফবা খরা ৱাৎলি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

তুলা: ৱাখল নুংঙাইতবা খরা লৈগনি। হোয়া ফবা কান্নরোই। নথক থোংবনদি য়াম্না চানগনি। ঙাং শকপদা পকচগনি। তিজনিবা কনবগী কান্নবা ফংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী - ৱারৌনবা লৈগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

বৃশ্চিক: খ্বাইদগী হেন্না ওইজ ওইথক ফংগদবা নুমিৎনি, লাইগুরু অমদি নথক থোংবনা চানগনি। অদুমকপু অতোনবনা ইন্সিনবদগী পাপকী ৱাখল খল্লক্কনি।
লৈশা পাখংশিংগী -নুংশিবা ফংজৈ-নুংঙাই।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

ধনু: মীচং য়ামগনি, অকিবা কোকলনি অমদি শেন্দোং তানবা থবক্তা মাই পাকপা শোইরোই। মীয়াম্না থাগৎপিগনি, মীকোক থোংগনি, ফিংবদি য়াদে।
লৈশা পাখংশিংগী - নিংবা থুংজগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

মকর: মতম মাংবনা হেনগনি, ইমুং মনুং ৱাখল তামিন্নবা হোৎনবা ফৈ অমদি ৱাফংনদবা ফগনি। নত্রদি ইকাইবা নংগনি। য়েৎনবনা লন মাংজগনি।
লৈশা পাখংশিংগী -লাইবক ফবা ওইদে।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা/চেং।

কুম্ভ: য়েক্লবনা ৱাখল নুংঙাইহন্দবা অমদি ওইজবা মাংহনবা য়ানা লৈ। শেল থুমগী থবক্তদি কান্নগনি অমদি মুক্লবদা মাই পাক্কনি। খংদনা অখং শাবদি তৌগনু।
লৈশা পাখংশিংগী -মরুপ থাজবা লুবা নুমিৎনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা/চেং।

মীন: লাইবক থোইনা ফগনি, ঙম্বনা য়াম্না চানগনি, মরুপ মপাংগা মতেং লৌবা কান্নগনি। মহু চাওবা মীদগী ঙসিসু চেকশিনবা ফৈ। নোল্লুক্লা চৎত্রদি কাইননি।
লৈশা পাখংশিংগী -নুংশি মরি ফগৎলি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।